# রসিয়াগী মায়োক্তা জহাজ কয়া থারক্লবা নেটো লৈবাকশিংদা আপিল তৌখ্রে



কিভ, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ক্রিমিয়াগা নক্লনা রসিয়াগা সমুদ্রদা উংখৎনবগী ফীভম অমা লাকখিবগা লোয়ননা সী ওফ অজোভতা জহাজ কয়া থারক্লবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট পেত্রো পোরোসেনকোনা নেটোদা তকশিনখ্রে।

প্রসিদেন্ট পোরোসেনকোনা জর্মনিগী পাউচে বিল্ডদা হায়খি, খরা নক্লা লৈবা জহাজশিং থারক্তুনা য়ুক্রেনবু মতেং পাংগনি অমসুং সিক্যুরিটি পীগনি হায়না মহাক্লা থাজে। নোংমাইজিং নুমীৎতা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী জহাজ অহুমদা নোংমৈ কাপশিনখি অমসুং মখোয়গী ক্রুশিং ফাজিনখি। থৌদোক অদু ব্লেক সী অমসুং সী ওফ অজোভকী মরক্তা লৈবা কর্চ ষ্ট্রেটতা থোকখিবনি।

নেটোগী মায়কৈদগী মেম্বর ভোট নত্তবা য়ুক্রেনবু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না থাজবা পীখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎলক্লি ঙৈদা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা পোরোসেনকোবু ২০১৯ গী মীখল মাঙওইননা মহাক্কী রেটিং ৱাংখৎহন্নবগীদমক নেভি চেন্নহন্দুনা কায়হৌবগী থৌদৌ চথে হায়না মরাল শিখি। য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা সমুদ্রদা মুক্ল রিবসি খুদোংথিনিংঙাইনি হায়না লৌনরি। ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট পোরোসেনকোনা য়ুক্রেনগী বোর্দর লমদমশিংদা নুমীৎ ৩০ নি চুপ্পা মার্সিএল লো চৎনহনখ্রে। বিল্ডগী ইন্টর্ভিয়ুদা পোরোসনকোনা হায়, ব্লাদিমির পুটিননা অজোভ সী খুদুম চনবা পাম্মী।

জর্মনি অসি ঐখোয়গা খ্বাইদগী নকশিন্নবা মীচঙশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং নেটোদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা হৌজিক সী ওফ অজোভতা মখোয়গী জহাজশিং থারক্তুনা য়ুক্রেনবু মতেং পাংগনি অমসুং সিক্যুরিটি পীবীগনি হায়না ঐখোয়না থাজবা থম্মী হায়খি।

রসিয়াগী অসিগুম্বা অকল-অরিং শিংবগী থৌওং ঐখোয়না য়াবা ঙম্লোই। অহানবদা পুটিননা ক্রিমিয়া লৌশিনখ্রে। মথংদা মহাক্লা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা মীৎয়েং থল্লকখি অদুগা হৌজিক্লা মহাক্লা সী ওফ অজোভতা মীৎয়েং থল্লক্লি। ঐখোয়না পুটিনবু থিংখৌদ্রবদি মথংদা মহাক্লা করি তৌরকপা য়াবগে হায়বসি জর্মনিনসু মথন্তা হংজবা য়াই।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা নেটোগী চীফ ষ্টোল্টনবর্গনা রসিয়াদা য়ুক্রেনগী জহাজশিং অমসুং হিরোইশিং থাদোক্ল বা তকশিনখি অমসুং মোস্কোনা মশাগী এক্সনশিংদুগী লাকপা য়াবশিং খঙগদবনি হায়খি।

মহাক্লা হায়খি, ব্লোক অদুনা নেটোগী পার্টনর লৈবাক অমদি নত্তবা য়ুক্রেনদা পোলিটিকেল সপোর্ট মখা তানা পীবদা নত্তনা থবক ওইনসু মতেং পাংগনি। প্রসিদেন্ট পোরোসেনকোগী খ্বাইদগী নৌবা ৱাফম অদুগী মতাংদা নেটোনা খুদক্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা ক্রিমিয়াগী মনাক নক্লা কর্চ ষ্ট্রেটতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা রসিয়াগী এফ সী বি বোর্দর গার্দশিংনা য়ুক্রেনগী গনবোত অনী অমসুং তগ অমদা নোংমৈ কাপশিনখিবদা য়ামদ্রবদা য়ুক্রেনগী হিরোই অহুম শোকখি। পেনিনসুলা অদু (ক্রিমিয়া) রসিয়ানা কুমজা ২০১৪ দা য়ুক্রেনদগী মুনখি অমসুং মতুং খরা লৈরগা লৌশিনখি।

# য়েমেনগী লান : অমেরিকানা সাউদি অরাবিয়া শৌগৎপা লেপ্পবগী থৌরাং সিনেটনা পাস তৌখ্রে



ৱাশিংতন, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতা চৈথেং পীবা খোঙথাং অমদা য়েমেনদা লান শোক্লরিবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্দা অমেরিকানা মতেং পাংলম্বা হন্দোক্লবগী থৌরাং অমা য়ু এস সিনেটনা শৌগৎখ্রে।

সাউদি জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজি হাৎখিবগী মতাংদা ত্রম্পনা উৎখিবা থৌওংদা সিনেটর কয়া পেন্নদ্রি। মোসন অদুনা য়েমেনগী ফীভম হেন্না লুশিনহনগনি হায়রদুনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিও অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাতিসনা মদুবু শৌগৎতনবা সিনেটর-শিংদা তকশিনখি। অদুম ওইনমক সিনেটরশিংনা মোসন অদুগী মতাংদা ভোট লৌনবদা মখোয়গী চাদা ৬৩ না মোসন অদু শৌগৎখি। চাদা ৩৭ না মোসন অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

হৌখিবা ওক্টোবর ২ দা ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা চৎখিবা য়ু এস রেজিদেন্ট জর্নেলিষ্ট খাসোজি হাৎখিবদগী সাউদি অরাবিয়াবু ক্রিটিসাইজ তৌবা হেনগৎলকখি। সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমাননা মীহাৎ অদুবু ওর্দর তৌখি হায়বা সী আই এনা থীজিনবদগী ফংলকখিবা ৱাফম য়ু এস মীদিয়ানা ফোঙনখ্রে। অদুম ওইনমক প্রসিদেন্ট ত্রম্পনদি রিপোর্ট অদু রিজেক্ট তৌখি অমসুং সী আই এনা চপ চাবা ৱারোইশিন পীখিদে হায়খি।

মহাক্লা সাউদি অরাবিয়াবু য়াম্না মরুওইবা মীচঙনি হায়খি অমসুং কিংদম অদুগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা অথিংবা থম্নবগী ৱাফমদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা য়ু এস-সাউদি অরাবিয়াগী মরীগী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোকখিবা সেসনদা সী আই এগী দিরেক্টর জিনা হাসপেল য়াওখিদবগীসু সিনেটরশিংনা পেন্নদ্রি। জমল খাসোজি হাৎখিবগীনি হায়না টর্কিনা ক্লেম তৌরিবা রেকোর্দিং অমা হাসপেলনা তাখ্রে অমসুং কেস অদুগী ইভিদেন্স ষ্টদি তৌখ্রে। সিনেটর অমনা মহাক লাকখিদবদু অশেংবা লোৎশিন্নবা হোৎনবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি। মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা অমসুং য়েমেনদা অৱা-অনা কয়া থোকহনবা অনীমক্কা মরী লৈননা হৌজিক সাউদি অরাবিয়াদা মেসেজ অমা পীবগী মতম ওইরে হায়না দেমোক্রেটিক সিনেটর বোব মেনেন্দেজনা ফোঙদোকখি।

সিনেট ফোরেন রিলেসন কম্মিটিগী চেয়র পায়রিবা রিপব্লিকান সিনেটর বোব কোর্করনা হায়, হৌজিক ঐখোয়গী প্রোব্লেম অমা লৈরে। সাউদি অরাবিয়া অসি মীচঙ অমনি হায়বা ঐখোয় খঙই। মসিগা লোয়ননা কন্ট্রোলগী ৱাংমদা চৎখ্রবা ক্রাউন প্রিন্স অমসু লৈরি। পনবা য়াবদি, চহী অসিগী অঙনবদা মান্নবা রিজোল্যুসন অমসু সিনেটনা ভোট লৌননবা পুথোকখি। অদুবু মদু ফেল ওইখি। তৌইগুম্বসুং মতমদুগা হৌজিক্লা খেন্নরে। সাউদি অরাবিয়ানা মীচম কয়া শিহল্লবা লাল অদু করম্না চথরিবনো হায়না সিনেটরশিংনা হংবা হেনগৎলক্লি। সিনেটকী ভোট অসিনা য়েমেনগী ৱাথোক্তা য়ু এসনা সাউদি অরাবিয়া শৌগৎপগী মতাংদা মথংগী চয়োলদা মখা তানা দিবেট চথগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি। মোসন অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখিবা সিনেটর খরদি কোলিসননা য়েমেনদা পায়খৎলিবা থবকশিং শৌগৎচরবসু খাসোজিগী মীশিংগী মতাংদা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না উৎখিবা থৌওংদুমক্তি কন্না য়ানিংদে হায়বদু উৎপা পাম্মী।

# মপান্দগী কার পুশিল্লকপদা অনৌবা তারিফ লৌগনি হায়না ত্রম্পনা কিহনখ্রে



ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
জেনরেল মোটোর্সনা থবক ককথবা অমসুং প্লান্ট থীংজিনবগী খোঙথাং লাউথোকখ্রবা মতুংদা মপান্দগী কার পুশিল্লকপদা তারিফ লৌবা য়াই হায়না দোনাল্ড ত্রম্পনা কিহনখ্রে।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, মপান্দগী পুশিল্লকপা কারশিং তারিফ লৌনবা খন্নরি। দ্যুটিশিং লৌরম্বা তারবদি জি এমগী প্লান্ট থিংলমদবা য়াই। নাকল অমরোমদা, চাইনাগী কারশিং পুশিল্লকপদা লৌরম্বা তারিফকী চাং হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে। জি-২০ গী সম্মিটতা ত্রম্পনা মহাক্কী লম্বাগা উননবা শেম শারকপদা তারিফ হেনগৎপগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি।

জেনরেল মোটোর্সনা নোর্থ অমেরিকাদা থবক ১৪,০০০ হেন্না ককথৎনবগী অমসুং ফেক্টরিশিং লোন্নবগী থৌরাং লৌখৎলকখিববু প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ইনৌবা ৱাফম ওইনা মপান্দগী পিকঅপ ট্রকশিং অমসুং নোর্থ অমেরিকাগী ৱাংমদা লৈবা মার্কেটশিংদগী কম্মর্সিএল ভেনশিং পুশিল্লকপদা দ্যুটি চাদা ২৫ লৌবা হায়বসি ইন্দষ্ট্রি শৌগৎনবগী থৌরাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

মপান্দগী কার পুশিল্লকপদসু মান্নবা তারিফশিং লৌরবদি লৈবাক অসিদা অহেনবা কার কয়া শারক্কনি লোয়ননা জেনরেল মোটোর্সসু ওহাইও, মিচিগন অমসুং মরিলেন্দদা মখোয়গী প্লান্টশিং থিংখিরোই হায়না মহাক্লা ত্বিটরদা ইখি।

জেনরেল মোটোর্সনা য়ু এস অমসুং কনাদাদা লৈবা ফেক্টরিশিংদা গাড়ী শাবা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখিবদা পোলিটিকেল লিদর কয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি। মরুওইনা ত্রম্পকী ওইনদি থবক ককথখিবা হায়বসি মঙোন্দা অচৌবা চৈথেং ওইনা থোক্লি। মরমদি য়ু এসকী কার ইন্দষ্ট্রি নৌনা শেমগৎপা হায়বসি মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না পায়খৎপগী পান্দম থল্লিবশিংগী মনুংদা অমনি।

# ব্রেক্সিট দিল পাস তৌহনবদা মীৎয়েং চঙগনি : পি এম মে

লন্দন, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
লাক্লিবা দিসেম্বর ১১ দা এম পিশিংনা ব্রেক্সিট দিলগী মায়োক্তা ভোট পীখিবা তারবদি মহাক করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ফোঙদোকপা পামদে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর তেরেসা মেনা হায়খ্রে।

তেরেসা মেনা এম পিশিংদা মখোয়গী মাংদা তাদুনা লৈরিবা খনগদবা পোৎশক্তা মীৎয়েং থম্নবা অমসুং অতৈ ৱাফমশিং খন্নদনবা তকশিনখি। অতোপ্পা রেফদরেন্দম অমা পাঙথোক্ল বগী দিমান্দ নৎত্রগা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবা লেপ্লিবা মার্চ ২৯ গী মতমদগী থীন্থবা হায়বসি ব্রেক্সিট মায় পাকহন্দনবগী থৌরাংনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি। সেলেক্ট কম্মিটি চেয়র্সকী লিএজন কম্মিটিগা পাঙথোকপা মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা মেনা হায়, করিগুম্বা এম পিশিংনা মহাক্কী দিল অদু মায়থিবা পীবা তারবদি তঙাইফদনা ৱারেপ খরা লৌবা তাই অমসুং দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী থৌরাং কনখৎপা তাই।

# দোইটস বেঙ্ককী হেদক্কার্টরসতা রেইদ তৌখ্রে

ফ্রেঙ্কফর্ট, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
মনি লোন্দরিংগা মরী লৈননা থীজিনবগী শরুক অমা ওইনা দোইটস বেঙ্ককী ফ্রেঙ্কফর্টতা লৈবা হেদক্কার্টসতা প্রোসিক্যুটরশিংনা রেইদ তৌখ্রে। জর্মনিগী পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা হায়, ক্লাইন্টশিংনা পায়বা ক্রিমিনেল ওইবা থবকশিংদগী তাল্লকপা য়াম্লবা শেনফমশিং চৎনহন্নবা হোৎনবদা বেঙ্ক অদুগী ষ্টাফ মেম্বর অনীনা মতেং পাংখি। জর্মনিগী খ্বাইদগী চাউবা বেঙ্ক অদুগী হেদক্কার্টরস লৈরিবা টৱার ব্লোকশিংগী মপানদা পুলিসকী কারশিং খাম্বা উখি। সিটি অদুদা লৈরিবা অতৈ দোইটসকী ওফিসশিংদসু থিবা হুম্বা চথখ্রে। ওপরেসন অদুদা পুলিস অমসুং ওফিসল ১৭০ রোম্মা শরুক য়াখি। প্রোসিক্যুটরশিংনা য়েংশিল্লিবদি ক্লাইন্টশিংগী ক্রিমিনেল ওইবা থবকশিংদগী তাল্লকপা শেনফমশিং ট্রান্সফর তৌবা য়ানবা মপান্দা একাউন্ট কয়া হাংবদা দোইটস বেঙ্ককী ষ্টাফনা মতেং পাংখিবা লৈবরা হায়বসিনি।

# রসিয়ানা অজোভ সীগী হিথাংফমশিং থীংজিনখ্রে



কিভ, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
অজোভ সীদা লৈবা য়ুক্রেনগী হিথাংফম অনী- বরদ্যানস্ক অমসুং মারিয়ুপোলদা ভেসেলশিং চঙথোক চঙশিন তৌবদা রসিয়ানা অথিংবা থমখ্রে হায়না ঙসি য়ুক্রেনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিনিষ্টর ভোলোদিমির ওমেলয়াননা ফোঙদোকখ্রে।

পুন্না ভেসেল ৩৫ মহৌশাগী ওপরেসনশিং পাঙথোকপা থিংখি অমসুং অজোভ সীদা লৈবা রসিয়াগী হিথাংফমশিং য়ৌগদবশিংদমক চঙবা য়াহনখি হায়না মহাক্লা ফেসবুক্তা ফোঙদোকখি। রসিয়নশিংগী পান্দমদি ইচম চম্মী- অজোভ সীদা লৈবা য়ুক্রেনগী হিথাংফমশিংদা ব্লোকেদ থমদুনা রসিয়ানা য়ুক্রেনবু মশাগী লমদগী ইন্থোকখিবা য়াগনি হায়না থাজরি। মরী লৈনবা ইন্টরনেসনল লো পুম্নমক্কী মতুংইন্না লম অদু ঐখোয়গীনি হায়না য়ুক্রেনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি।

ওমেলয়াননা হায়, বরদ্যানস্কতা মরি অমসুং মরিয়ুপোলদা ১৪ য়াওনা অজোভ সীদা ভেসেল ১৮ চঙশিনগদবগী ঙাইরি। ভেসেল মাপনসু অজোভ সী থাদোক্লবা পরেং শানা ঙাইরি অদুগা অতৈ ভেসেল নিপানসু হিথাংফমগী বর্থশিংদা লৈ। অজোভগী হিথাংফমশিংদা থাদোক থাজিন তৌরিবা আইটেমশিংদি হৱাই-চেংৱাই অমসুং ষ্টিলনি।

কুমজা ২০১৪ দা কিভতা রসিয়াগা য়ানবা লিদর অমা মফমদগী চিংথুখিবা মতুং মোস্কোনা ক্রিমিয়া পায়শিনখিবগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না রসিয়াগী মথক্তা অথিংবশিং থল্লকখি। মতুং তাবদা মোস্কোনা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা ঈৱাং হৌরিবা রসিয়াগা য়ানবা সেপ্পরেটিষ্টশিং শৌগৎখি। হৌজিক ফাওবদা সেপ্পরেটিষ্টশিংগী ঈৱাং অদুদা মীওই ১০,০০০ হেন্না শিখ্রে। কুমজা ২০১৫ দা সিজফায়র অমা পুরক্তুনা খুৎ থানবা লেপখি তৌইগুম্বসুং নাকল অনীনা তোইনা নোংমৈ কাপ্পরি।

# ফিলিপিন্সতা পুলিস পর্সনেল ৩ মী হাৎপগী মতাংদা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীখ্রে



মনিলা, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্তেগী দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জংদা লৈবাক অদুগী পুলিস ওফিসর অহুম চহী ১৭ কী মীওই অমা হাৎপগী মরাল লৈরম্লে হায়রি। মদু দ্রগকী মায়োক্তা লাঞ্জং চঙশিনবা হৌখিবদগী অদুগুম্বা কেস অমদা কোর্টনা কনভিক্সন পীবা অহানবনি।


হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা কিয়ান দেলোস সান্তোস কৌবা চহী ১৭ কী নহা অমা হাৎখিবগী মরালদা ফিলিপিন পুলিসকী ওফিসরশিংদুবু কোর্টনা চহী ৪০ ফাওবা জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখিবনি।

প্রসিদেন্ট দ্যুটর্তেনা ফিলিপিন্সতা পাক্তক্লনা লৈরিবা দ্রগকী প্রোব্লেম থেংনননবা হায়দুনা কুমজা ২০১৬ তা এন্টি-নার্কোটিক কেম্পেন অমা হৌখি। কেম্পেন অদু হৌখিবদগী দ্রগ য়োনবা নৎত্রগা দ্রগ শীজিন্নবা মীওই ৫০০ হেন্না হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা প্রসিদেন্ট দ্যুটর্তেবু এক্সত্রা জুদিসল মীহাৎশিংগী অয়াবা পীবা অমসুং দ্রগকী লান্দা মী হাৎখিবশিংগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌরবা পুলিস ওফিসরশিংদা ঙাকপীগনি হায়না থাজবা পীখিবগীদমক্তা চৈ থাংখি। মশাগী চহী ১৭ শুরবা মহৈরোয় কিয়ান দেলোস সান্তোস হাৎখিবগী মরাল শিরিবা ফিলিপিন পুলিসকী ওফিসরশিং অর্নেল ওরেস, জেরৱিন ক্রুজ অমসুং জেরেমিয়াজ পেরেদা মমাঙদা সিনেটতা হিয়ারিং চথখ্রবনি।

মখোয় অহুমগী কেসকী হিয়ারিং তৌরিবা জজনা হায়, মী হাৎপা হায়বসি লো ইনফোর্সমেন্টকী থবক্তি নত্তে। হান্না নোংমৈ কাপ্পগা কোন্না ৱাখল খনবগী থৌওং অসি চাউখৎপা সোসাইটিদা কৈদৌনুংদা চৎনবা য়ারোই হায়না ঙসি জজ রোলদোলফো অজুসেনাগী রুলিং অদুনা হায়খি।

ফিলিপিন্সকী কেপিটেল মনিলাদা কিয়ান দেলোস সান্তোসপু হাৎখিবগী থৌদোক অদু দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিনবগী কেম্পেন অদুদা মীয়াম্না থম্মোয় শোক্লবা খ্বাইদগী ৱাথোক চাউবা মীহাৎ ওইখি। মহাক অখুবা য়ুম্লক্কী লম্বী অমদা শিরগা তারম্বনি। পুলিসনা মহাকপু দ্রগ রন্নরনি হায়না মরাল শিরবসু মহাক্কী ইমুংনদি য়াখিদে। মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা মহাকপু হাৎখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। সী সী টি ভি ফুটেজদগী পুলিসকী ৱাফম অদু লাল্লি হায়বা খঙনরকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না ঈৱাং হৌরকখি।

# অষ্টানাগী মীফমদা সিরিয়াগী মতাংদা লৈখায় তাবা ঙমখিদ্রে



জিনেভা, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
সিরিয়াগী কনষ্টিট্যুসনল কম্মিটি অমা শেম্বগী মতাংদা খন্ননবা কজাখষ্টানগী কেপিটেল অষ্টানাদা রসিয়া, টর্কি অমসুং ইরাননা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম খুম্মাং চাউশিনবা ঙমখিদ্রে হায়না সিরিয়াগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা য়ু এনগী এনভোই ষ্টাফান দে মিষ্টুরাগী ওফিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

কনষ্টিট্যুসনল কম্মিটিদা য়াওগ-দবশিং লেপথোক্লবা থা ১০ চুপ্পা খন্নরকপদা খুম্মাং চাউশিনবা ঙমখিদবদা স্পেসল এনভোই পেনদ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি। মসি চহী অসিদা পাঙথোকপা অষ্টানগী মীফমগী অরোইবা শরুকনি। অৱাবদি সিরিয়াগী মীয়ামগী ওইনদি সিরিয়নশিংগী ওইবা য়ু এননা শিনবা মথৌ তৌগদবা কনষ্টিট্যুসনল কম্মিটি অমা শেম্নবগী থবক থুজিনবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা হৌখ্রে।

ৱারী শানবা লোইরবা মতুংদা লৈবাক অহুম্না অপূনবা চেরোল অমা থোক্তুনা মখোয়না য়ারিবমখৈ থুনা কম্মিটি অদুবু লিংনবগী মতাংদা ৱা তান্নবা থুজিন্নবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী মায়কৈদগীদি কন্ফরেন্স অদু পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা মোস্কো, তেহরান অমসুং অঙ্করানা মখা তানা হায়, মখোয়না অৱাং নোংচুপ সিরিয়াগী ইদলিবতা সিজফায়র থুগায়নবগী মওং লৈরিবদুবু হকচিন্না লৌরদুনা খন্নখি অমসুং মরী লৈনবা খুদিংমক্লা সিজফায়র ঙাকহন্নবা হোৎনবগী থবক কনখৎ-লগনি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়না মফম অদুদা মখা তানা টেররিজম থেংনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

# মীনম্বা ঙাঙখি হায়বা য়াজখ্রে

ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী): মতম শাংনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী উকিল ওইরকখিবা মাইকল কোহেননা মোস্কোদা পায়খৎপা ত্রম্প ওর্গনাইজেসনগী রিয়েল ইষ্টেট প্রোজেক্ট অমগা মরী লৈননা কোংগ্রেসতা মহাক্লা অরানবা ষ্টেটমেন্টশিং পীখি হায়বা ৱাফম য়াজখ্রে। খোঙথাং অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা কোহেনবু মীনম্বা ঙাঙবা অমসুং অশোনবা মীশকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মনহাতানগী ফেদরেল কোর্ট অমদা কোহেননা মহাক লোমেকরশিংনা চথুখিবা ইনভেষ্টিগেসন অমগা মরী লৈননা কোংগ্রেসতা অরানবা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রে হায়বা য়াজখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

*Ref:- Mut. Case No. 1172 of 2018*

1. Yumnam Kullabidhu Singh S/o (L) Thambaljao Singh of Lourembam
2. Lourembam Sushila Devi W/o L. Jugeshwor Singh of –do–.

...... *Applicants*

-Vrs-

1. (L) Yumnam Chaoba Singh S/o Y. Tollamu Singh of Lourembam (0.56 acre).
2. (L) –do– Nganthoi Singh S/o (L) Tomba Singh of –do– (0.56 acre).
3. Lourembam Sobita Devi D/o Nganthoi Singh of –do– (0.62 acre).

...... *O.P. Pattadars*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Nambol, the 28th Nov. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি পাট্টাদার অহুমগী মীংদা পান্দুনা লৈবা খুল নং ১২-লৈমাপোকপমগী পাট্টা নং ৯৫২ (অনৌবা), দাগ নং ১২১০, এরিয়া একর ১.৭৪ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অমসুং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মখোয় অনীগী শরুক একর ১.১২ অসি দংকারি ২ দা পানবীয়ু অদুগা পাট্টাদার ৩ গী শরুক একর ০.৬২ না দংকারি ১ দা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা কেস অসিগী মরীদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোন্না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

HL-P/2587/30

**ꯃꯆꯤꯡꯉꯝ/ WANTED**

1. One Driver for driving 4 wheeler.
2. Civil Engineer with experience. Age 40 Plus

☞ **SALARY – NEGOTIABLE**

HL-P/5756/30,2&4

***Contact :*** ☎ **9436858168**

# অফবা রিজল্ট ফংগনি হায়না চাইনানা থাজরি

বৈজিং, নবেম্বর ২৯ : অর্জেন্টিনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-২০গী সম্মিটতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনরিবা লল্লোন-ইতিক্কী য়ানদবা ৱাফমশিং লৈখায় তানবা হোৎনবদা পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মহৈ ফংলগনি হায়না চাইনানা থাজবা থম্মী হায়না ঙসি চাইনাগী কম্মর্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। ব্যুন্নস এইরিসতা থাংজ নুমীৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-২০ সম্মিটকী নাকোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগা তোঙান্না ৱারী শানগদৌরি।

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ **ADMISSION OPEN** ꯍꯥꯡꯂꯦ

**ENGLISH COACHING**

*For*

- **SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO**
- **RHYME TEACHERS TRAINING COURSE**
**[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]**

*At*

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**

**Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal**

**Contact No. ☎ 8974642764**

HL-B/4970/13/11-9/12

**TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY**

*in aid of Annual Fund Drive*

*Org.by:* KKCWU Regd. 896 of 2017

Date&Time:30 November2018,5pm

**Ticket Rate Rs. 1,300/-**

**2ND MINI BUMPER**
Ticket Rate Rs.300
Housefull 1 lakh

| 1ST Housefull | 2ND Housefull | 3RD Housefull |
| --- | --- | --- |
| 2 Lakhs | 2 Lakhs | 1 Lakh |

**MINI BUMPER**
Ticket Rate Rs.600/-
1st Housefull 350 Bullet Classic
2nd Housefull Activa 5g
3rd Housefull Activa 5g

**VENUE : KHURAI SAJOR LEIKAI COMMUNITY HALL, NEAR BABU HOTEL, UKHRUL ROAD, IMPHAL EAST**

HL-P/5756/30